# ইরাননা ইজরেল্লি জহাজশিংদা এটেক তৌগনি হায়না কিহল্লিবঁে মরক্তা য়ুএসনা গাইদেদ-মিসাইল সবমেরিন দিপ্লোই তৌখ্রে

ৱাশিংতন, এপ্রিল ৯ (এজেন্সী):

ইজরেল অমসুং ইরানগী মরক্তা লেপ্তুনা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিবঁে চৈরক্তা য়ুএস নেভিনা মিদ্দল ইষ্টতা টোম হোক মিসাইল ১৫৪ ফাওবা পুবা ঙম্বা গাইদেদ সবমেরিন অমা দিপ্লোই তৌখ্রে।



ৱাফম অসি য়ুএন নেভিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোরকখিবা য়ুএস মিলিটরি অমসুং ইজরেল্লি ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংগী মতুং ইন্না ইরানগী রিভোল্যুসনরি গার্দস এরো স্পেস ফোর্সনা পার্সিয়ান গল্ফ অমসুং অরাবিয়ন সীদা চেল্লিবা ইজরেল্লি সিভিলিয়ন মার্চেন্ট ভেসেলশিংগী মায়োক্তা দ্রোন এটেক অমা শেম শারি হায়না নোংচুপলোমগী সেনিয়র ইন্টলিজেন্স ওফিসলশিংনা ন্যু য়োর্ক টাইমদা ফোঙদোকখি।

মতম শাংনা অমগা অমগা য়েংথীনদুনা লাকপা ইরান অমসুং ইজরেলনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা অমনা অমগী এসেটশিং, ইনফ্রাষ্ট্রকর অমসুং নেসনেলশিংদা অনক্লেম এটেকশিং চথবগী সেদো ৱার অমা শোক্লুদুনা লাক্লি।

ইরানিয়নশিংনা ইজরেলবু পুমতুম তুম্না থূগায়নবগী ৱাফম তোইনা পল্লকখিববু খন্নরদুনা য়ুএননা ইজরেলনা মতম শাংনা ইরানবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মকোক ওইবা য়েক্নবনি হায়না লৌদুনা লাক্লি। থেংখাং কয়াদা ইজরেলনা ইরানবু হেজবুল্লা-গুম্বা এন্টি-ইজরেল মিলিটেন্ট গ্রুপশিং সপোর্ট তৌই হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা হেজবুল্লাগা মরী লৈনবা ইরানিয়ন টার্গেটশিংদা তোইনা এটেক তৌবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবনি।

ইরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামবুসু ইজরেলনা জিৱিষ্ট ইন্টরেষ্টশিংগী মায়োক্তা পায়খৎলক্লিবনি হায়না মতম শাংনা মরাল শীদুনা লাক্লিবনি। ইজরেল অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা ইরানবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং দিভলপ তৌনবা হোৎনরি হায়না মরাল শীরবসু ইরাননদি ৱাফম অসিবু য়াদ্রিবনি। কিংস বে-জোজিয়াদগী থৌদোকখিবা ন্যুক্লিয়র-পৱার সবমেরিন অদু ইরাই নুমিত্তা সুইস কেনেল ফাওখি।

মদু টোম হোক লেন্দ-এটেক ক্রুজ মিসাইল ১৫৪ ফাওবা পুবা ঙম্মী অমসুং রিজনেল মেরিটাইম সেক্যুরিটি অমসুং ষ্টেবিলিটি লৈহনবদা মতেং ওইননবা য়ুএসকী মঙাশুবা ফ্লিটতা দিপ্লোই তৌই হায়না গল্ফকী লৈবাক বেহরানদা বেজ তৌরিবা মঙাশুবা ফ্লিটকী স্পোক্স পার্সন কোমাদোর তিমোথি হোকিন্সনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

ইরানগী রিভোল্যুসনরি গার্দসকা নকশিন্নবা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল ষ্ট্রেটেজিস অমনা ন্যু য়োর্ক টাইমসতা ইরাননা সিরিয়াদা ইজরেলনা চথরিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুগী লম্মন খুন্নগী মনুং চন্না লমদম অদুদা ওপরেট তৌরিবা ইজরেল্লি জহাজশিংদা এটেক তৌনবা খন্নরি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মার্চতা ইজরেলনা সিরিয়াদা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথখিবদা গার্দসকী মেম্বর অনী শিখিবনি। য়ুএসকী মঙাশুবা ফ্লিটনা ইজরেলগী দিফেন্স ষ্টাব্লিসমেন্টদা ৱার্নিং পীরদুনা ইজরেল্লি জহাজশিংগী মায়োক্তা ইরাননা এটেক তৌরকপা য়াই হায়না খঙহনখি অমদি গার্দশিং ইজরেল্লি জহাজশিংদা ষ্ট্রাইক চথনবা শেম শাখ্রে হায়খি।

মসি নোংচুপলোমগী ইন্টলিজেন্স ওফিসলশিংনা এন ৱাই টিদা ফোঙদোকখিবনি। ফিভম অসিদা ইজরেলগী জহাজশিং মখোয়গী ট্রান্সপোন্দরশিং মুথৎনবা অমদি য়ারিমখৈ মমাঙগী সমুদ্র খোঙবানগা নক্লনা থৌননবা পাউতাক পীখি। ইজরেল্লি জহাজশিং অদু ইরানগী সমুদ্র মপানদগী য়ারিমখৈ লাপথোক্লবা অমদি মখোয় কদায়দা লৈবগে হায়বদু রুটিন ওইনা রিপোর্ট তৌনবা অমদি চিংননিংঙাই ওইবা এক্তিভিটিশিং থেংনরবসু রিপোর্ট তৌননবা খঙহনখিবনি।

# পার্মিসন রিন্যুয়েলগীদমক সাউথ কোরিয়ানা কোরি-২ রিএক্টরগী ওপরেসন সস্পেন্দ তৌখ্রে

সিওল, এপ্রিল ৯ (এজেন্সী):

সাউথ কোরিয়াগী কোরি-২ ন্যুক্লিয়র রিএক্টরগী ওপরেসনগী মতম শাংদোক্লবগীদমক্তা লৈবাক অসিনা সেফতি ইন্সপেক্সনশিং পাঙথোক্লবা অমদি মথৌ তাবা ইম্প্রভমেন্টশিংগীদমক্তা রিএক্টর অদু মতম খরগী ওইনা ওপরেসন লেপহনখ্রে হায়না রিএক্টর অদুগী ওপরেটরনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।



কেপিটেল সিওলগী খারোমদা কিমি ৩২৫ লাপ্পা ভুসানদা লৈবা কোরি ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টকী নম্বর ২ রিএক্টর অদু মদুগী চহী ৪০ গী পার্মিসনগী মতম লোইখিবদগী থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১০ দা ওপরেসন লেপখি হায়না কোরিয়া হাইদ্রো এন্দ ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট (কে ঐচ এন পি) কো পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

মমাঙগী গভর্ণমেন্টকী ন্যুক্লিয়র ফেজ-আউট পোলিসিনা মরম ওইদুনা রিএক্টর অদুগী মপুন্সি শাংদোকহন্নবগী প্রোসেস থিন্থখিবদগী সস্পেন্সন অদু য়াম্না তঙাই ফদবনি হায়না ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্ট্রিনা মমাঙদা লাউথোকখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা হন্দক্তা মদুগী ওপরেসনশিং মখা চথনবগী প্রোসিজরশিং হৌখি। এক্সটেন্সনগী প্রোসেস অদু চহী অহুমদগী মরি ফাওবা ওইগনি হায়না থাজরবসু গভর্ণমেন্টনা সেদ্যুল অদু সেফতিগী ফিভম লৈরিমখৈ কুমজা ২০২৫ কী জুন ফাওবা লৈহন্নবা হোৎনরি।

প্রোসেস অদু য়াংশিনবা তারবসু রিএক্টর অদু য়ামদ্রবদা চহী অনীগা থা অনীদি সস্পেন্দ তৌরবা য়াই হায়না পান্নরি। কোরি-২ য়ুনিট অদু কুমজা ১৯৮৩ গী এপ্রিলদা সাউথ কোরিয়াগী অহুমশুবা ন্যুক্লিয়র রিএক্টর ওইনা কমর্সিএল ওপরেসন হৌখি। হৌজিক সাউথ কোরিয়ানা মসিগী ন্যুক্লিয়র রিএক্টর ২৫ গী মনুংদা ১৮ ওপরেট তৌই।

য়ুন সুক য়ুক গভর্ণমেন্টনা মমাঙগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী ন্যুক্লিয়র ফেস-আউট পোলিসি পুমহোং হোংদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র পৱার জেনরেসন এক্সপান্ট তৌদুনা ইনর্জি সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি নেট-জিরোগী পান্দমশিং হেন্না নীংথিবা এচিভ তৌনবা হোৎনরিবনি।

সাউথ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র পৱার জেনরেসনগী চাং কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী অপুনবা ইনর্জি ক্রেসনগী চাদা ৩০ ফাওবা এক্সপান্দ তৌনবা হোৎনরি। কুমজা ২০২১ দা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র পৱার জেনরেসনগী চাং চাদা ২৭.৪ দমক ওইখিবনি।

# উংখৎনবা মরক্তা ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্ক-গাজা ষ্ট্রিপ ক্রোসিংশিং মখা তানা থিংজিন্দুনা লৈরি

জেরুসালেম, এপ্রিল ৯ (এজেন্সী):

ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং গাজা ষ্ট্রিপকী ক্রোসিং পোইন্ট পুম্নমক সেক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফমশিংনা মরম ওইদুনা শগোলশেল নুমিৎ ফাওবা মখা তানা থিংজিনখিগনি হায়না ইজরেলনা থাংজ নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।



ইজরেলগী দিফেন্স মিনিষ্টর য়ুআব গলাননা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি থবক্তা মরী লৈননা নত্তগা ইষ্ট জেরুসালেমগী অল-অক্সা মোস্কতা রামজানগী লাই খুরুম্নবগীদমক্তা ইজরেলদা চঙবগী পার্মিটশিং হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা কেন্সেল তৌগনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না এন্ট্রি পোইন্টশিং থিংজিল্লিবদু থাংজ নুমিৎকী অহিংদা লৌথোক্লবা হান্না থৌরাং তৌরম্বদগী ওপরেস্নেল সেচুয়েসন এসেসমেন্ট অমগী মতাংদা ৱারেপ লৌদুনা ক্রোসিংশিং থিংজিল্লিবদু জিৱিষ্ট পাস ওভর হোলিদে লোইবা ফাওবা চৎনহল্লগনি।

গলাননা দিফেন্স ষ্টাব্লিসমেন্টদা ইজরেল্লি পুলিসকী এক্তিভিটিশিং এনফোর্স তৌননবা অহেনবা রিছোর্সশিং অমসুং লান্মীশিং এলোকেসন তৌননবসু ইন্সট্রক্সন পীখি। ৱারেপ অদু ইজরেলনা পলেষ্টিনিয়নশিংনা চথবা টেরর এটেকশিংনি হায়রিবা শাথিরবা এটেক অনীগী মতুংদা লৌরক্লিবনি। ইরাই নুমিত্তা ৱেষ্ট বেঙ্ককী জোর্দান ভেল্লিদা গাড়ী থৌদুনা চথখিবা নোংমৈগী এটেক অমদা বৃটিস-ইজরেল্লি সিষ্টর অনী শিখি অমসুং মখোয়গী মমানা ফিভম লূনা শোকখি।

অহিংগী মতমদা টেল অভিবকী সমুদ্র মপানগী টুরিষ্টশিংনা পাম্নবা মফম অমদা ইজরেলগী আরব সিটিজন অমনা টুরিষ্ট কাঙবু অমদা মহাক্কী কার থৌজিন্দুনা ইটালিয়ন টুরিষ্ট অমা হাৎখি অমসুং থৌদোক অদুদা অতৈ তরেৎনা অশোক অপন নঙহনখি। ইজরেল্লি পুলিসনা অল-অক্স মোস্ককী কম্পাউন্দদা রেইদ কয়া চথবদগী পলেষ্টিনিয়ন ৱারশিপ্পরশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্নরকখিবগা লোয়ননা লমদম অদুদা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

থৌওং অদুনা মরম ওইদুনা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইজরেল অমসুং গাজাগী মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা ইনৌ নৌনা ক্রোস-বোর্দর ষ্ট্রাইকশিং চথনরকখি। কুমজা ১৯৬৭ কী মিদ্দল ইষ্ট ৱারদা ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং গাজা ষ্ট্রিপ পায়শিনখিবনি।

# বুরকিনা ফাসোদা টেররিষ্ট এটেকশিংদা মীওই ৮৪ শিখ্রে

য়ুগাদুগু, এপ্রিল ৯ (এজেন্সী):

হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা বুরকিনা ফাসোগী অৱাং থংবা শরুক্তা অহিংগী মতমদা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা চথখিবা এটেক অনীদা মীওই ৪৪ শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রেইদশিং অদু ৱেষ্ট অফ্রিকান লৈবাক অদুগী সাহেল রিজনগী কুরাকৌ অমসুং টোন্দোবি ভিলেজশিংদা থোকখিবনি। সাহিল রিজন হায়রিবসি অল কাইদা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিংনা লিশাং শিংনা তোইনা এটেক চথুদুনা লাকপা মফমনি। শগোলশেল নুমিৎকী এটেকশিং অদু করম্বা গ্রুপনা চথখিবনো হায়বা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। মদু খুৎলায় পায়বা টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা চথরকখিবনি হায়না থাংজ নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

মালেমগী খ্বাইদগী লাইরবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বুরকিনা ফাসোদা হাৎন শুনবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইদুনা মীওই মিলিয়ন অনীনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নবগা লোয়ননা মীওই লিশিং কয়া শিখ্রবনি। হাৎন শুনবগী ইরাংশিং অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা হৌখিবা চহীদা মিলিটরিনা কূ অনী পাঙথোকখি।

মিলিটরিনা লৈবাক অদুগী লৈঙাক অমুক হন্না পায়শিনগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈরবসু মখোয়না হাৎন শুনবগী ইরাংশিং অদুদি লাকশিনবা ঙমদ্রিবনি। লমদম অদুগী হাৎন শুনবগী ইরাং অদু কুমজা ২০১২ দা মালিদা হৌখি। চহী অদুদা ইস্লামিষ্টশিংনা টুৱারেক সেপরেটিষ্ট কাঙবু অমবু হাইজেক্ত তৌখিবনি।

নাকল অনীগী মরক্তা অমগা অমগা খূৎ হন্নদুনা চথরকখিবা হাৎন শুনবগী থৌদোকশিং য়ুমথংনরিবা বুরকিনা ফাসো অমসুং নাইজরদা শন্দোরকখিবগা লোয়ননা সমুদ্র মপানগী লৈবাকশিং অসিগী তং তাবা ফিভম মখা তানা কায়হল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈখি।

দিফেন্স অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লুচিংদুনা ওফেন্সিব অমা চথখ্রবা মতুং এরিয়া অদুদা ষ্টেবিলিটি লাকহন্নবগী থবকশিং পায়খৎলগনি হায়না লমদম অদুগী গভর্ণরনা মীয়ামদা থাজবা পীখি।

# চাইনানা টাইৱান তম্না মশিং য়াম্লবা ৱার প্লেনশিং থাজিনখ্রে

টাইপে, এপ্রিল ৯ (এজেন্সী):

টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইন-ৱেননা মহাক্কী অতেনবা য়ুএস খোঙচৎ মনুংদা য়ুএসকী হাউস স্পিকর কেবিন মেকার্থিগা উন্নখিববু য়ানিংদবা উত্তুনা লেপ্তুনা নুমিৎ নীনি মিলিটরি দ্রিলশিং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ঈথৎ অদু তম্না মশিং য়াম্লবা ৱার প্লেনশিং থাজিনখি হায়না মেদিয়াগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।



টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়রি, মদুদি মিনিষ্ট্রি অসিনা চাইনাগী মিসাইল ফোর্সশিংগী মুভমেন্টশিং মোনিটর তৌরি।

চৈরকসিদা য়ুএসনসু লৈবাক অসিগী ফোর্সশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা গার্দিয়নগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি চাইনাগী পিপলস লিভরেসন আর্মি (পি এল এ) না ফাইটর জেটশিং, রি কোনিসন্স প্লেনশিং অমসুং রি ফোইলরশিং য়াওনা লানগী প্লেন ৫৮ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা টাইৱানগী এয়র দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোনদা থাজিনখি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মেপ নত্তগা লোকেসনশিং পীদ্রবসু প্লেন ৩১ টাইৱান অমসুং চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা টাইৱান ষ্ট্রেটকী দি ফেক্তো বোর্দর ওইরিবা মেদিয়ন লাইন লানশিনখি হায়না ফোঙদোকখি।

পি এল এনা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথগদবা মিলিটরি দ্রিলশিং খুদক্তগী হৌরে হায়না লাউথোকখিবনি। নুমিত্তুগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৭ ফাওবগী মনুংদা পি এল এনা টাইৱানগী এ বি আই জেটতা ৱার প্লেন ৭১ অমসুং জহাজ ৮ থাজিনখি। প্লেন ৬০ দি মেদিয়ন লাইন ক্রোস তৌখি।

টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়রিবদি পি এল এগী এক্তিভিটি অদুনা ইন্দো-পেসিফিক পিছ অমসুং ষ্টেবিলিটি শাথিনা ভাইওলেট তৌবগা লোয়ননা মদুনা ইন্টরনেসনেল সেক্যুরিটি অমসুং ইকনোমিশিংদা ফত্তবা ইফেক্ট অমা পী।

মিনিষ্ট্রি অসিনা অতৈ লৈবাকশিংদা চাইনাগী এক্সনশিং অদুগী মায়োক্তা খোঞ্জেল হৌনা ঙাঙননবা তকশিনখ্রে। হৌখিবা ওগষ্টতা মতমদুগী য়ুএস হাউস স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা টাইপৈদা খোঙচৎ অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা চাইনানা টাইৱানগা য়াম্না নকশিন্নবা ঈশিংগী শরুকশিংদা মিসাইলশিং কাপশিনবা য়াওনা ঈথৎ অসিগী অকোয়বদা ৱার গেমশিং পাঙথোকখিবনি।

# ইজিপ্টতা মাইক্রো বসকা ট্রেক্টরগা থেঙ্গায়নবদা মীওই তরুক শিরে

কাইরো, এপ্রিল ৯ (এজেন্সী):

ইজিপ্টকী কেপিটেল কাইরোগা তাইননা লৈবা লৈবাক অসিগী গিজা প্রোভিন্সতা মাইক্রো বস অমগা ফার্মিং ট্রেক্টর অমগা থেঙ্গায়নখিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিখ্রে অমসুং অতৈ নিপাননা অশোক অপন নঙখ্রে হায়না ইজিপসিয়ন হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ওসম অবদেল-গাফরনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা এক্সিদেন্ট অদু অয়ুক অঙনবদা গিজাদা থোকখিবনি।

এক্সিদেন্ট অদুদা চেন্নরিবা মাইক্রো বস অদুনা গিজাগী অল-কুরিমট রোদকী একজিট অমগা নক্লবা মফম অমদা ট্রেক্টর অদুদা থোমজিনখিবনি। এক্সিদেন্ট অদুদা অশোকপা নঙলবশিং অদু অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি।

ইজিপসিয়ন লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ভিক্তিম অয়াম্বা ক্রাস অদুদা ফিভম থীনা অমাঙ অতা থোক্লবা মাইক্রো বস অদুগী পেসেঞ্জরশিংনি। খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা আরব লৈবাক অসিদা চহী খুদিংগী রোদ এক্সিদেন্টশিংদা মীওই লিশিং কয়া শিরিবনি। ইজিপ্টতা থোক্লিবা এক্সিদেন্ট অয়াম্বা স্পিদ কা হেন্না য়াংনা থৌবা, ট্রাফিক রুলশিং ইন্দবা অমদি লম্বীশিং নীংথিনা মেন্টেইন তৌদবা য়াওনা মীওইবগী অশোয়বশিংনা থোকহনবনি।

হৌখিবা চহী খরগী মতমদা ইজিপ্টনা অনৌবা লম্বীশিং অমদি থোংশিং শাবগা লোয়ননা হান্না লৈরম্বা অরিবা থোংশিং শেমজিন শাজিন্দুনা লৈবাক অসিগী রোদ নেটৱার্ক অপগ্রেদ তৌখিবনি। খোঙথাং অসিনা লম্বীগী এক্সিদেন্টশিং খরমখৈদি হন্থরকপা উখি।

# মীওই লিশিং কয়া ইজরেলগী জুদিসল প্রোটেষ্টশিংদা য়াওশিনখ্রে

টেল অভিব, এপ্রিল ৯ (এজেন্সী):

ইজরেল্লি লিশিং কয়া থাংজ নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগী সুপ্রিম কোর্ট কন্ট্রোল তৌনবগী থৌরাংশিংগী মায়োক্তা চথখিবা প্রোটেষ্টশিংদা য়াওশিনখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা শাথিরবা এটেক অনী চথরকখিবদগী সেক্যুরিটিগী মতাংদা নুংনাংনবা হেনগৎলকপা লৈনা লৈনা মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টরগী জুদিসল রিফোর্মগী থৌরাং অদুবু প্রোটেষ্ট তৌবা হেনগৎলকখিবনি।

ষ্ট্রাইক অমদি মাস দেমোন্সট্রেসন কয়া লেপ্তুনা চথরকপদগী হৌখিবা থাদা মতম খরগী ওইনা লেপখিবা থৌরাংশিং অদুগী মায়োক্তা পরিং নাইনা চথরকখিবা প্রোটেষ্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা প্রোটেষ্ট অদু ইজরেলনা মুস্লিমশিংগী শেংলবা রামজান থা মনুংদা ফ্রন্ট কয়াদা উংখৎনবা ফিভমশিং মায়োক্লরক্লিবঁে চথরকখিবনি।

ইরাই নুমিত্তা টেল অভিবতা খোঙজেল য়াংনা থৌরকখিবা কার অমনা থোমজিন্দুনা চথখিবা এটেক অমদা ইটালিয়ন অমা শিখিবগা লোয়ননা অতৈ টুরিষ্ট মঙা অশোক অপন নঙখিবদগী ইজরেল্লিশিংনা সেক্যুরিটিগী মতাংদা চেকশিন্নবা হেনগৎলকপা লৈরিঁডো পলেষ্টিনিয়নশিংনা নিংহন্নবা লৈতনা মফম কয়াদা ইজরেল্লিশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া চথবা লেপত্রিবনি।

# প্রসিদেন্ট অলভিনা লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসনদগী ইমরান খাননা হেন্না লুনা খল্লি: সেহবাস সারিফ

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ৯ (এজেন্সী):

সুপ্রিম কোর্ট (প্রেক্তিস এন্দ প্রোসিজর) বিল, ২০২৩ সাইন তৌদুনা হল্লকপগীদমক পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাস সারিফনা প্রসিদেন্ট অলভিবু চৈ থাংখ্রে অমসুং মহাকপু পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী ৱার্কর অমনি হায়খ্রে।



জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি বিল অদুগী পান্দমদি সূ মোতু অমসুং বেঞ্চশিং শেম্বা য়াওনা চীফ জষ্টিসকী পৱারশিং হন্থহনবনি। লেজিসলেসন অদুবু পাস তৌনবা হোৎনরক্লিবদু পি টি আইনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি অমসুং মদু জুদিসরিদা চথবা এটেক্লি হায়খি।

প্রসিদেন্টনা বিল অদুবু লেজিসলেচরদা অমুক হল্লকখিবা মতুং পুং খরগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অকনবা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি পার্লিয়ামেন্টনা হৌনবী মতুং ইন্না পাস তৌখ্রবা সুপ্রিম কোর্টকী বিল অদুবু প্রসিদেন্ট অলবিনা অমুক লেজিসলেচরদা হল্লকপা হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবনি।

হৌখিবা চহীগী এপ্রিলদা পাকিস্থান দিমোক্রেটিক মুভমেন্টগী গভর্ণমেন্ট শেমখিবদগী প্রসিদেন্ট অলভিনা বিল কয়া লেজিসলেচরদা হল্লকখি। মসিদা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাস য়াওনা ফেদরেল কেবিনেটকী মেম্বর কয়াবুসু মহাক্না ৱাশক লৌহল্লু য়াখিদে। অলভিনা হৌখিবা চহীগী এপ্রিলদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী চিংথুখ্রবা পি টি আইগী চিয়ারমেন ইমরান খানগী পাউতাক আর্মি ষ্টাফকী চীফ এপোইন্ট তৌবা য়াওনা মরু ওইবা ৱাফমগী মতাংদা লৌননবা হোৎনখিবনি।

ত্বিট অদুদা পিএমনা হায়খি, মদুদি প্রসিদেন্টনা মহাক্কী কন্সটিট্যুস্নেল দ্যুটিশিং পাঙথোক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা পি টি আইগী চীফকী ওর্দরশিং ইনবনা মরম ওইদুনা মহাক্না ইনৌ নৌনা চথরক্লিবা থৌওং অসিনা মহাক্কী ওফিসকী চাংসু তাহল্লে। কন্সটিট্যুসনদগী হেন্না ইমরান নিহাজিবুনা হেন্না লুনা লৌবা পি টি আইগী ৱার্কর অমা ওইনা থবক তৌবা অসিনা মরম ওইদুনা মহাক্না চিং লেন্নবা ওফিস অসিগী চাং অদুক্কী মতিক তাহল্লে হায়না সেহবাসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পঞ্জাব অমসুং খাইবর পাক্তুনখুৱা প্রোভিন্সশিংগী ইলেক্সনশিংগী মতাংদা পোলিটিকেল অমসুং কন্সটিট্যুসনগী ক্রাইসিস লূশিল্লক্লিবঁে মরক হৌখিবা থাদা পার্লিয়ামেন্টগী হাউস অনীমক্না এপ্রুভ তৌখিবা বিল অদু প্রসিদেন্টগী অয়াবা লৌনবা থাখিবনি।

অলভিনা লেজিসলেসন অদুদা মহাক্কী অয়াবা পীয়ু য়াখিদ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টকী অপুনবা সেসন অমগী খুথাংদা বিল অসিবু পাস তৌনবা অমুক হোৎনরকপা য়াই হায়রি।

# সিভিল ৱার লোইশিন্নবগী থৌরাং খন্নবা য়েমেনগী ওফিসলশিং সাউদি অরাবিয়াদা পুনখ্রে

অদেন, এপ্রিল ৯ (এজেন্সী):

য়েমেনগী মতম শাংলক্লবা সিভিল ৱার লোইশিনবা য়ানবগী চহী অহুমগী মপুং ফাবা পিছ প্লান অমা খন্নবা লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং সাউদি অরাবিয়াদা পুনখ্রে হায়না অদেনদা দিপ্লোমেট অমনা ফোঙদোরক্লি।

দিপ্লোমেট অদুনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা শগোলশেল নুমিত্তা সাউদি দিফেন্স মিনিষ্টর খালিদ বিন সলমাননা য়েমেনগী প্রসিদেন্সিএল লিদরশিপ কাউন্সিল (পি এল সি) গী চিয়ারমেন রাসদ অল-অলিমি অমসুং অতৈ য়েমেনি গভর্ণমেন্টগী অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিংগা রিয়াদতা উন্নখি।

উন্নবা অদুদা মহাক্না য়েমেনদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা পুথোক্লিবা কিংদম অদুগী প্লান উৎখি। হৌখিবা থা খরগী মতমদা মুস্কাটতা সাউদি অরাবিয়া অমসুং হৌথি মিলিসিয়াগী মরক্তা পরিংনা নাইনা চথরকখিবা বেক-চেন্নেল নিগোসিএসনশিংদা য়ুম্ফম ওইবা প্লান অদুদা চহী অহুমগী মনুংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবা মরু ওইবা ষ্টেজ অহুম য়াওরি। প্লান অদুবু য়েমেনি ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী য়ানিংবা উৎলকখিবা লৈরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ছোর্স অসিগী মতুং ইন্না প্লান অদুগী অহানবা ফেজ অদু য়েমেনদা লান শোক্লরিবা ফেক্সনশিংগী মরক্তা থা তরুক্কী ট্রুস অমা লাকহনবা অমসুং ট্রুস অদুগী মনুংদা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা লেপহনবা লোয়ননা অমগা অমগা থাজনবগী ফিভম লাকহন্নবগী থৌরাংশিং অমদি মরা তপ্পা ফিভমগী য়ুম্ফম শেম্ননবা লেপ্তুনা হোৎনবা অসি য়াওই। অনীশুবা ফেজ অদুদা তোঙান তোঙানবা য়েমেনি ফেক্সনশিংগী মরক্তা লৈরিবা পেন্দবশিং অমসুং মরু ওইবা ইস্যুশিং য়েংশিন্নবা দাইলোগ অমা চথবা অমসুং থিংজিল্লুরবা লম্বীশিং, এয়র স্পেস অমসুং সী পোর্টশিং অমুক হন্না হাংদোকপা অসি য়াওরি। অহুমশুবা ষ্টেজ অদুদনা চহী অনীগী ওইবা ট্রাঞ্জিস্নেল পেরেদ অমা লৈহনবা অমসুং মতম অদুগী মনুংদা অনৌবা অমসুং ইনক্লুসিব গভর্ণমেন্ট শেমদুনা লৈবাক অসিদা তুং কোইনা ষ্টেবিলিটি অমদি পিছ লাকহন্নবগী লম্বী ফাৎপা অসি য়াওরি।

# থিংজিল্লুরবা এম্বেসি অমুক হন্না হাংদোক্লবা খন্নবা সাউদি অরাবিয়াগী টিম ইরানদা থুংখ্রে

টেহরান, এপ্রিল ৯ (এজেন্সী):

ইরানদা সাউদি এম্বেসি অমসুং কন্সুলেট জেনরেল নৌনা অমুক হাংদোক্লবগী প্রোসিজরশিং খন্নবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা ফিভম কুপ্না য়েংশিন্নবগীদমক সাউদি অরাবিয়াগী টেক্নিকেল দেলিগেসন অমা টেহরানদা থুংখ্রে।

সাউদি প্রেস এজেন্সিগী ৱারোল পল্লদুনা ইরানিয়ন ষ্টুদেন্টস ন্যুজ এজেন্সি (ইসনা) না হায়, বাইলেটরেল মরী মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নবা বৈজিংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা এগ্রিমেন্ট কয়া খুৎয়েক পীনখিবদগী সাউদি দেলিগেসনগী খোঙচৎ অসি লাক্লিবনি।

খোঙচৎ অদুদা সাউদি দেলিগেসন অদুনা টেহরানদা সাউদি এম্বেসি নৌনা অমুক হাংদোক্লবগী মেকানিজম খন্নগনি। মখোয়না ইরানগী অৱাং নোংপোক থংবা সিটি মসাটতা সাউদি কোন্সুলেটে জেনরেল নৌনা অমুক হাংদোক্লবগীদমক মফম অদুগী ফিভমসু কুপ্না য়েংশিনগনি।

টিম অদুনা হেক থুংখিবগা মদুগী মেম্বরশিংনা টেহরানদা ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী দিরেক্তর জেনরেল ওফ সেরিমোনিস মেহাতি হোনার দুসকা উন্নদুনা ৱারী শানখি অমসুং মখোয়বু হরাও তয়াম্না ওকপীবা অমদি দেলিগেসন অদুগী খোঙচৎ খুদোংচাহনবগীদমক মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসলশিংবু থাগৎখি।

চাইনা, সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরাননা হৌখিবা মার্চ ১০ দা লাউথোকখিবদা সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরাননা দিপ্লোমেটিক মরী মহৌশাগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিলহনবা অমসুং থা অনীগী মনুংদা এম্বেসিশিং অমসুং মিশনশিং অমুক হন্না হাংদোক্লবগী এগ্রিমেন্ট য়াওনা দিল অমা খুৎয়েক পীনরে হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

[illegible]